## য়ুথ ওফ মণিপুরগী মেম্বর ৩ ...

*লমায়ম ১গী মখা...* মমা-মপা শক্লিবনি। মীয়াম্বু নীংবা থুংহনবা হায়বসিনা লৈঙাক্কী মথৌ ওইগদবনি। মীয়াম ওৎ নৈগদবা ওইরবদি লৈবাকসিদা দেমোক্রেসি চৎনদুনা মীখল পাঙথোকপগী করি কান্নগনি হংখি।

লুচিংবা ওইরবদি মচাশিংগী ৱাকৎ তাগদবনি। ফাজিন্দুনা থল্লিবা ইচা অহুম্না লমহেন তুহেল্লুদুনা ওফিস মৈ থারম্বা অমসুং লম্বী থিংজিল্লম্বা নত্তে। মখোয় অহুম্বু অথুবা মতমদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়খি।

মমা ওইবীশিংগী ৱাফম থৌওইদ্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবী শিন্থাঙম্বগী অপোকপী বিজয়ানা ফোঙদোকখিবদা য়ুথ ওফ মণিপুরগী ইচাশিংনা ঙসি ফাওবদা লৈবাক্কী অকায়বা থবক অমত্তা তৌখিদ্রি। ঈং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা পেন্দবা খোল্লাও লাউরুবা খক্তনি। মরাল লৈত্রবা ইচা অহুম্বু থাদোকপীরকউ হায়খি।

ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লবা মতুংদা মসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা মখোয়গী দিমান্দশিং তশিল্লদুনা নুমিদাংদা লিলোং চজিংদগী শীংজমৈ তম্না মৈরাগী খোঙচৎ অমসু চৎখি।

## খুলগী মমিং...

*লমায়ম ১গী মখা...*সাইনবোর্দ য়ুংশিল্লে হায়বগী কমপ্লেন্ট অমা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সী এস ওশিংনা তৌরকপদগী অনৌবা খুল তাশিন্নবা হোৎনদুনা য়ুংশিল্লম্বা সাইনবোর্দ অসি লৌথোকখিবনি হায়রি।

## গোৱাগী ফিল্ম...

*লমায়ম ১গী মখা...* শরুক য়াগদবা মহৈরোয় ১০/১০ অদুগী মমিং মথাশিং মিনিষ্ট্রি অসিদা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা থারক্কদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা মুম্বাই ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদসু এন ঈ ষ্টেটশিংদা ফিল্মগী মহৈরোয় ৫/৫ থারক্লবা খঙহল্লকপদগী মহৈরোয়শিং চৎতুনা শরুক য়াখিবনি।

### GAS NEWS

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO - 01/06/2024**
VALID FROM - 25/05/2024
ONLY HOME DELIVERY
WITHIN 5 DAYS
TIME- 9AM TO 11AM
OFFICE ENQUIRY NO.
9774031231/8414967694

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto : 13/06/24,**
Valid from : 09/06/24
**Stock: 324**
Call , SMS & WhatsApp
Time: 6.00am to 9.00am
Only Home delivery service
Working day 3 to 4 days
(Booking and Delivery Contact no:9863952745/ 8837482516)
For any enquiry no:9233784247
Timing from 10.00am to 4.00pm

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 28/08/24**
VALID FROM 22/08/24
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 09/08/2024
**BOOKING UPTO: 15/08/2024**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM
(Temporary).
For Home delivery:
9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

### HL Poll

Q : Manipurgi meeyam, Lupsing amatta oina punsinnaduna Lan ashigi waroisin puraknaba phirep ama louhoubana achumba khongthang oiroidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Meetei mashelgi marakta khongchep hainabagi mahutta yeknaba mashak khangdoklaga punna maioknabana achumba Lan oiroidra?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

- সার, ঐখোয়দি চাদ্দুনা য়াঙ কংশিল্লে! চাদ্দুনা ৱারে।

- ꯁꯥꯔ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯗꯤ ꯆꯥꯗ꯭ꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯡ ꯀꯪꯁꯤꯜꯂꯦ! ꯆꯥꯗ꯭ꯗꯨꯅꯥ ꯋꯥꯔꯦ꯫




- ঐখোয়দি চামন্দুনা ৱারে।

- ꯑꯩꯈꯣꯌꯗꯤ ꯆꯥꯃꯟꯗꯨꯅꯥ ꯋꯥꯔꯦ꯫

## মমাঙগী এসেমব্লি মীখলদা...

*লমায়ম ১গী মখা...* ফ্রন্টেল অমসুং দিপার্টমেন্ট য়াওনা সেলশিংগী লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টশিংসু শরুক য়াগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এল জয়েন্তকুমার ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা এন পি পিগী মীরেপ ওইনা কারক্তুনা বি জে পিনা লুচিংবা অহানবা মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরমখিবনি। অদুবু মতম খরগী মমাঙদা মহাক এন পি পি, মণিপুর ষ্টেটকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরম্লবা মতুং পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌখিবনি। অদুগা পাঙথোকখ্রিবা ১১শুবা এসেমব্লি মীখল অদুদা ওইনাম রোমেনসু মহাক্কা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ য়ূম্নাম খেমচান্দগা য়াম্না নক্লনা ভোট থিনখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা হয়েং তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোক্তুনা ওক্কদৌরিবা শক্লাইরবা কেন্দিদেটশিং য়াওনা মীওইশিং অসিগী মতুংদসু কোংগ্রেসতা নৌনা য়াওশিল্লক্লগে অমসুং হান্না য়াওরম্বদগী তোক্লুরবা মতুং অমুক হন্না য়াওরক্লগে হায়রকপা মশক নাইবা পোলিটিসিয়ন খরসু লৈরে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা মণিপুরগী আউটর অমসুং ইন্নরগী সিট অনীমক কোংগ্রেসনা ফংখিবনি।

## নোংমৈ পায়বশিংনা মীওই ১ ফাদুনা পুখ্রগা ...

*লমায়ম ১গী মখা...* লৌথোকখি। অদুগা টাজউদ্দিনবু মনীংগী সিটদা মহাক্কী নুপী অমসুং অঙাংশিংগা লোয়ননা ফমহল্লগা শকখঙদবা অমনা গাড়ী অদু থৌরগা তুংদনা অমুবা মচুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা কার অমনা ইন্নরক্লগা খোংমন মংজিন অমদি শীংজমৈ থোংগী মরক্তা লৈবা মফম অমা য়ৌরকপদা টাজউদ্দিনগী লোয়নবী অমসুং মচানুপী থাদোক্লক্লগা মহাকপুনা লংথবাল লোমদা পুরগা চৎখিবনি হায়রি।

অদুগা শকখঙদবশিং অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিস অমদি অতৈ লূপশিংদা পাউ পীরবদি এম দি টাজউদ্দিনবু হাৎকনি হায়না কিহল্লকপগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ২গী থাদোকমল পীনবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। লম্বীদা থাদোক্লম্লবা ৱাজিরা শাহনি অমসুং মহাক্কী মচানুপীদি ওটোরিক্সো তোংদুনা ময়ূমদা হল্লকখি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা এম দি টাজউদ্দিনগী খোঙ্গুল লীরকপদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা থাদোরকখ্রে হায়রি।

## চহী ৭তা ঙাইরিবী মচানুপীবু য়ু পীথক্লগা...

*লমায়ম ১গী মখা...* কৌই। মহাক সোরা অৱাং লৈকায়দগীনি, হৌজিক্লা হাট্টা গোলাপতিদা অশানবা কা অমদা লৈরকখিবনি হায়রি।

মীওই অসি মহাক্কী লোয়নবী খায়নরকপা চহী ৬ লোম শুরে। পূন্না মচা ৩গী মনুংদা মচানুপা অতোনবনা মমাগী মনাক্তা লৈখ্রগা চহী ৮ মখায় রোম শুরবা মচানুপা অহলগা মহাক্লা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরক্লিবা চহী ৭ লোম শুরবী মচানুপী অসিগনা মহাক্কা অশানবা কা অসিদা লৈরকখিবনি হায়রি।

চৎহৈদবা লীচৎ অসি মহাক্লা চত্থবদা নত্তনা মহাক্ল । থৌদোক অসিগী মতাংদা মচানুপীদা কনামত্তদা হায়দোকপা য়ারোই, হায়দোক্লবদি হাৎকনি হায়নসু কিহন-খংহল্লকখি । মসিদা নত্তনা মহাক্লা মচানুপীবু য়ু অহুম্লক নমদুনা পীথক্লগা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবসু য়াওখ্রে হায়রি।

মীওইবগী লীচৎ নত্তবা শাজৎ অসি মহাক্লা থা অনীরোমগী মমাঙদগী চত্থরকখিবতা নত্তনা চৎলিবা থা অসিগী ৩দসু মখা তানা চত্থরকখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ভিক্তিম নুপীমচা অসিনা পাউ তম্বদগী হৌজিক্লা অহানবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী ক্বার্টর নম্বর বি-৬২দা লৈরক্লিবী শকিলা (৪২) মপুরোইবা এম দি নজির অহম্মদ কৌবা সোরা অৱাং লৈকায়দগী নুপী অমনা থা অসিগী ৩গী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱিমেন পি এসতা রিপোর্ট তৌরবদগী পোক্সো এক্ট অমসুং দি এন এসকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা কেস অমা লৌখৎখিবনি। চেন্নরিবা মীওই অসিনা থা অসিগী ৪দা ফারগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা ৱাহং পাউহং চত্থরকখিবনি হায়রি।

অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ...

*লমায়ম ১গী মখা...* পূন্না উননবা হায়রকখি হায়রি।

কম্মিস্নরনা পীরকপা থাজবা অসিগী মতুংইন্না হয়েং চীফ মিনিষ্টরগা উননবা মতম লেপ্লে অদুবু ঐখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফংদ্রবদি মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি। মরমদি মমাঙ থাগী ২৬তগী খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবসু ঙসি ফাওবা তাবীদনা লাকপনি হায়রি।

এম সী এস কেদর পোষ্টতগী অসুক শাংলবা মতমদা রেজিষ্ট্রার ওইহল্লক্লিবা অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী এক্ট, ২০১৫ ভাইওলেট তৌবনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মশাগী ওইবা রেজিষ্ট্রার কুমজা ২০১৬তগী ২০১৯ ফাওবা লৈজরম্মী অদুবু মদুগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা রেগ্যুলর রেজিষ্ট্রার হাপ্লক্ত্রিবনি হায়খি।

এসোসিএসন অসিনা তাল্লিবা অতোপ্পা দিমান্দশিংদা গেষ্ট ফেকল্টি মেম্বর ২৮বু রেগ্যুলর তাহনবা, ফাইনান্স ওফিসর, কন্ত্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন অমসুং রেগ্যুলর এদমিনষ্ট্রেটিভ ষ্টাফশিং অথুবা মতমদা হাপ্লীয়ু হায়বা য়াওরি। মহৈরোয়শিংগী ক্লাস চাং নাইনা তৌবা য়ানবা চয়োল অমগী মনুংদা ক্লাস রুম মশীং শুনবা পীবিয়ু হায়বা দিমান্দসু য়াওরি।

## ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ ১সুং অখন্দ ভারত ...

*লমায়ম ১গী মখা...* পূম্নমক্কী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি। অৱা-অনা, অশোক-অপন নংলবা, মাঙখিবদগী থিবা ফংদ্রিবা অমসুং লাঞ্জেন্নরক্লিবা ইমুং মনুংশিংগী অৱা পোৎলুমদসু পার্টিনা শরুক য়াজরি। থৌনা লৈনা লান্থেংসিদা শরুক য়াবীরিবা ইরৈচা অমদি ইমা ইবেল পূম্নমকপুসু থাগৎচরি হায়রি।

লোইচন মপু মশেল মপুং ওইনা বৃটিশনা এসিয়াবু খুদুম চন্নবা চত্থখিবা 'দি গ্রেট গেম' গী লাল্লোং, ইন্দিয়াগী ঙমখৈ পাকথোক্লবগী জৱাহরলাল নেহরুগী 'দি ফোরৱার্দ পোলিসি' অমসুং বি জে পিগী 'অখন্দ ভারত : গ্রেটর ইন্দিয়া' গী পান্দম ফংনবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২না শুপচিল্লগা তাক্লি। ইন্দিয়ানা এসিয়া মনুংদা মথক থোংনীংবগী অঙম তানবা লাল্লোংদা মণিপুর থুগায়রগা মখোয়গী খূৎচাবী ফূরুপ শেমগৎপা হায়বসি ইন্দিয়াগীদি অহানবা প্রাইওরিটি অমনি। য়ূমলোন্নরিবা লৈবাকশিংদা ইন্দিয়াগী প্রোক্সি আর্মি থাজিন্দুনা লৈবাক কাং খোং চাইহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা কুকি টেররিষ্টশিংদা লানগী পোৎলম, শেন্মীৎ, পোলিটিকেল সপোর্ট পীশিল্লগা মৈতৈদা লান্দাহনবনি। মখূৎ ৮ পানবা ওক্টোপসগুম্লবা ইন্দিয়াগী হেজিমোনিক ৮-হেন্দসনা পাকিষ্টান, আফঘানিষ্টান, নেপাল, ভুটান, শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, মালদিপস লৈবাকশিংগী ইন্টরনেল ইস্যুশিংদা খূৎ থিংজিল্লি।

মৈতৈ মীয়াম্না ইন্দিয়াগী ওইনদি মীংচৎ পুরকখিবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়াবু শোন্থনবা হোৎনখিদে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা লোইচন মকোক বৃটিশশিংবু ইন্দিয়ন সব কন্টিনেন্টদগী তান্থোকখিবদা মণিপুরীশিংনা য়াম চাউনা থৌদাং লৌখি হায়বসি ইন্দিয়নশিংনা খঙজরবা ৱাফমনি। অদুবু ইন্দিয়াগী মতম মতমগী লৈঙাক পায়রকপশিংগী এক্সপান্সনিষ্ট পোলিসিদা মৈতৈ ফূরুপ্পু তাথীনা তৌরকখিবা ঙাক্তনি। মৈতৈ শোন্থহন্নবগী ৱাখলদা লাইচুশিল্লবা 'মেলিসিয়স এদিক্সন' ওইখ্রবা ইন্দিয়ন লিদরশিংদা থাজবা থম্লগুমসি। তৌবীমল খঙদ্রবা ইন্দিয়ন লুচিংবশিংনা মৈতৈ ফূরুপকীদি অফবা তৌরক্লোই। নম্ফুদা ইন্দিয়ন ওইহনখিবা নুমিৎতগী কংলৈচাগী পাঙ্গল কনখৎচনবা ইন্দিয়ানা করিমত্তা হোৎনখিবা লৈতে। অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী পুকচেল শেংদবা পোলিসিশিংবু মায়োক্লবা হায়বসি লাঞ্জাও অমগী শেম শামিন্নদুনা থেংনবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈরোই। ঐখোয়না খঙমিন্নগদবা ৱাফমদি মৈতৈশিংবু মরমদমগী মফম কয়াদগী মরম ইচা চাদনা তাল্লকখিবা অদু নোংমৈ অমদি বোমনা খুদক্তা হেক্তা তাল্লকখিবনি। থোইদোক্লা খুলশিংদুদা কুকিশিংগা হান্নদগী উংখৎনবসু লৈখিদে। অদু ওইরবদি মৈতৈশিংনা ঙমজবী থাক্তা লান তৌরগা অমুক খুন্দাবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী থিফম থোক্তে। থা ১৭ হেল্লবা ৱাথোকসিনা ৱাখল লায়না লৈহন্দুনা অমসুং শেন্মীৎকী ফীভম থিন্থহনবদগী হায়ফম তৌফম খঙদনা খ্বাইদগী মরাইবক থীরিবসি মৈতৈনা ওইহৌরে। মসি ইন্দিয়াগী খুজিল থৌরাংনা ফংহনবনি। হৌজিক্তি ঐখোয় মশেল ওনশিন্নবগী মহুত্তা তঙাইফদবা লানগী পোৎলমশিং থিমিন্নসি। লাল্লোং চুম্বা লাঞ্জাও তৌমিন্নসি হায়রি।

চেরোল অসিগী অরোইবদা ইপা ইপুশিংগী থৌনা লিংজেলবু উৎথোকমিন্নদুনা নীংতম লানগী শরুক অমা ওইরক্লিবা হৌজিক থেংনরিবা লান অসি পূন্না থেংনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## মমা-মচা পূন্না শিরম্বা থৌদোক্কী মতাংদা এম...

*লমায়ম ১গী মখা...* ১দা কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা লুচিংবা ওফিসলশিংনা লৈখিদ্রবা মমা-মচাগী লৈকায়গী মীওইশিং অমসুং থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগী মীহুৎশিংগসু হকথেংননা চৎতুনা উনখি অমসুং মখোয়না ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং তারকখি হায়রি।

থৌদোক অসি মমা মচা অনীমক চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা শিরম্বা থৌদোক ওইবনা কম্মিসনগী মায়কৈদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিদা জষ্টিস ফংহন্নবগীদমক অথুবদা মীচং মীখাই নাইদবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা অমসুং থবক অদু পাঙথোক্লে হায়বগী রিপোর্ট অথুবা মতমদা কম্মিসনদা খঙহল্লক্লবা দিরেক্সনসু পীখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকউ হায়দুনা দিমান্দ তৌরদুনা লৈখিদ্রবী মমা-মচাগী হকচাং হৌজিক ফাওবা লৌশিন্দ্রিবনি।

## আর কে সী এসকী ...

*লমায়ম ১গী মখা...* ভি সী প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, ডা. কে সোবিতানা ময়ায় তাংবল লৌরগা একাদেমি অসিগী ভাইস চ্যেরমেন এল জয়চন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা আর কে সী এসকা লোয়নরম্বা শক্লাইরবা লাই য়েকপা থোইদিংজম তোম্বী, লাইশ্রম মোধুচন্দ্র, লাইশ্রম ফোনিন্দ্রো অমসুং অরিবম ইকান্তদা ইকায়খুম্নবসু উৎকনি । থৌরম অসি কোন্থৌজম বোবিননা শৈহৌ ঈশৈ শক্তুনা হৌদোক্কনি হায়রি।


## RECRUITMENT IN TERRITORIAL ARMY INFANTRY UNITS
## DATE: 12 NOVEMBER 2024 TO 26 NOVEMBER 2024

**SELECTION IN THE TERRITORIAL ARMY IS 'FAIR AND TRANSPARENT' AND ON MERIT ONLY. AT NO STAGE ANY BRIBE IS TO BE PAID TO ANYONE FOR SELECTION OR RECRUITMENT IN THE TERRITORIAL ARMY. CANDIDATE SHOULD NOT FALL PREY TO UNSCRUPULOUS PERSONS POSING AS RECRUITING AGENTS**

**1. The recruitment for following Territorial Army Units will be organized from 12 November to 26 November 2024:-**

| | | | |
|---|---|---|---|
| (a) | 107 Infantry Battalion (TA) 11 Gorkha Rifles | (b) | 113 Infantry Battalion (TA) RAJPUT |
| (c) | 119 Infantry Battalion (TA) ASSAM | (d) | 121 Infantry Battalion (TA) GARH RIF |

**2. Vacancies for Recruitment:-**

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| (a) | Soldier (General Duty) | 328 | (b) | Soldier (Chef) | 17 |
| (c) | Soldier (House Keeper) | 11 | (d) | Soldier (Hair Dresser) | 09 |
| (e) | Soldier (Washer Man) | 10 | (f) | Soldier (Tailor) | 01 |
| (g) | Soldier (Cook Mess) | 02 | (h) | Soldier (Chef Special) | 01 |
| (i) | Soldier (Equipment Repairer) | 02 | (j) | Soldier (Artisan Metallurgy) | 01 |
| (k) | Soldier (Clerk) | 07 | | | |

**3. Area wise schedule of recruitment is as under:-**

| Ser No | Date & time | Domicile / Area of Recruitment | Location |
|---|---|---|---|
| (a) | 12 & 13 November 2024 | Sikkim, Andaman & Nicobar Islands | 7 Assam Police Battalion Ground, Charaikhola, Kokrajhar (Assam) |
| (b) | 14 November 2024 | **06 x District of West Bengal** i.e, Nadia, Hooghly, Howrah, Kolkata, North 24 Parganas and South 24 Parganas. | |
| (c) | 15 November 2024 | **02 x District of West Bengal** i.e, Paschim Bardhaman & Purba Bardhaman | |
| (d) | 16 November 2024 | **02 x Districts of West Bengal** i.e, Paschim Medinipur & Purba Medinipur | |
| (e) | 17 November 2024 | **04 x District of West Bengal** i.e, Birbhum, Purulia, Bankura and Jhargram | |
| (f) | 18 November 2024 | **02 x District of West Bengal** i.e, Uttar Dinajpur & Dakshin Dinajpur. | |
| (g) | 19 November 2024 | **02 x District of West Bengal** i.e, Malda and Murshidabad | |
| (h) | 20 November 2024 | **03 x District of West Bengal** i.e, Darjeeling, Kalimpong & Jalpaiguri | |
| (i) | 21 November 2024 | **02 x District of West Bengal** i.e, Cooch Behar and Alipurduar | |
| (j) | 22 November 2024 | Kokrajhar | |
| (k) | 23 November 2024 | Udalguri | |
| (l) | 24 November 2024 | Tamulpur | |
| (m) | 25 November 2024 | Chirang | |
| (n) | 26 November 2024 | Baksa | |
| (o) | 12 November 2024 | Nagaland | Masimpur Military Station, Silchar (Assam) |
| (p) | 13 November 2024 | Mizoram | |
| (q) | 14 November 2024 | Meghalaya | |
| (r) | 15 November 2024 | **09 x Districts of Lower Assam** i.e, Kamrup Metro, Nalbari, Kamrup, Barpeta, Bajali, Bongaigaon, Goalpara, Dhubri and South Salmara Mankachar | |
| (s) | 16 November 2024 | **06 x Districts of Central Assam** i.e, East Karbi Anglong, Nagaon, Hojai, West Karbi Anglong, Dima Hasao and Morigaon & **03 x Districts of North Assam** i.e, Biswanath, Sonitpur and Darrang | |
| (t) | 17 November 2024 | **09 x Districts of Upper Assam** i.e, Tinsukia, Dibrugarh, Dhemaji, Charaideo, Sivasagar, Lakhimpur, Majuli, Jorhat and Golaghat | |
| (u) | 18 November 2024 | **03 x Districts of Barak Valley** i.e, Cachar, Hailakandi and Karimganj | |
| (v) | 19 November 2024 | Arunachal Pradesh | |
| (w) | 20 November 2024 | Tripura | |
| (x) | 21 November 2024 | **06 x Districts of Manipur** to include Imphal (East), Imphal (West), Bishnupur, Jiribam, Kakching and Thoubal | |
| (y) | 22 November 2024 | **03 x Districts of Manipur** to include Kamjong, Ukhrul and Senapati | |
| (z) | 23 November 2024 | **07 x Districts of Manipur** to include Chandel, Churachandpur, Kangpokpi, Tamenglong, Pherzawl, Tengnoupal and Noney. | |

# Reporting time for candidates for physical test at the venue is from 5.00 a.m. to 10.00 a.m. on the specified dates.
★ Medical Examination of successful candidates of physical tests will be conducted concurrently from 12 Nov 2024 to 26 Nov 2024.
@ Candidates will only be permitted to participate in recruitment rally as per the schedule/ dates given for each state/ district.

**4. Educational Qualification:**

| | | |
|---|---|---|
| (a) | **Soldier (General Duty) :** | Class 10th/Matric pass with 45% marks in aggregate and 33% in each subject. For grade system Min D Grade (33-40) in each subjects of grade which contains 33% and overall aggregate of C2 grade. |
| (b) | **Soldier (Clerk)** | 10+2/ Intermediate Exam pass in any stream (Arts, Commerce, Science) with 60% marks in aggregate and minimum 50% in each subject. Securing 50% in English and Maths/ Accounts/ Book Keeping in Class 12th is mandatory. |
| (c) | **Soldier (Tradesmen) (All Tradesmen except House Keeper & Mess Keeper)** | Class 10th Pass with min 33% in each subject. |
| (d) | **Soldier (Tradesmen) (House Keeper & Mess Keeper)** | Class 8th Pass with min 33% in each subject. |

**5. Minimum Physical Standard Requirements:-**

| | | |
|---|---|---|
| (a) | **Age** | 18 to 42 years |
| (b) | **Height** | 160 cms (157 cms in case of Domicile of Eastern states & Hill regions of West Bengal i.e Darjeeling & Kalimpong districts) |
| (c) | **Weight** | Minimum 50 Kg |
| (d) | **Chest** | 82 cms (77 cms unexpanded) |

**6. Relaxation in physical standards:-**

| | | Height | Weight | Chest |
|---|---|---|---|---|
| (a) | Son of Servicemen/ex-servicemen/war widows/war widow & widow of ex-servicemen, adopted son/son-in-law of war widow, if she has no son. | 02 cms | 02 kgs | 01 cms |
| (b) | Outstanding Sportsmen (International, National & State level). | 03 cms | 03 kgs | 03 cms |

**7. Physical Fitness Test:-**

Physical fitness tests will include - 01 Mile Run, Pull Ups, Balance & 9 Feet ditch and trade test for tradesmen.

**8. Documents required:-**

(a) Birth certificate issued by Registrar of Births and Deaths or 10th Class Board certificate showing date of birth.
(b) Education certificate with marksheet including Board certificate in original.
(c) Domicile certificate with photograph issued by Tehsildar/ District-Magistrate.
(d) 20 copies of good quality passport size coloured photographs.
(e) PAN Card and AADHAR Card.
(f) Cast/ tribe/ Community certificate affixed with photograph of the candidate issued by the Tehsildar/ Sub Divisional Magistrate/ District Magistrate.
(g) Religion Certificate to be issued by the Tehsildar/ SDM (if religion as **"SIKH/ HINDU/ MUSLIM/ CHRISTIAN"** is not mentioned in the caste certificate).
(h) Character certificate with photograph issued by Village Sarpanch/ Municipal Corporation, SHO/ Head of Educational Institute within last six months.
(i) Married/ unmarried certificates issued by village sarpanch/ Municipal Corporation within last six months.
(j) Relationship certificates of individuals who are son of serving soldier/ Son of ex-servicemen/ son of war widow are required to produce relationship certificate issued by record office.
(i). A declaration in Affidavit on Ten Rupees Non-Judicial Stamp paper prepared by ESM duly signed by 1st Class/ Executive/ Judicial Magistrate.
(ii). Original Discharge Book of ex-servicemen with Name and Date of Birth recorded in it.
(k) Sports Certificates issued by National/ State Sports Authorities or Government bodies of particular sport. (International/ Senior/ Junior National/ Khelo India Games/ State level upto 4 position in team/ State school team)

**Note:-**

1. Territorial Army is purely voluntary organisation with part time commitment only and does not provide or promise any permanent employment nor guarantee about pension in future.
2. The initial period of enrolment will be **07 (Seven)** years only.
3. Authorities conducting rally will not be responsible for any accident/ injuries to the candidates during recruitment rally.
4. Do not pay bribe and beware of touts.
5. No TA/DA will be paid to the candidate during the Recruitment Rally. Candidates are requested to arrange for food/ lodging under own arrangement.
6. Legal action will be taken against candidates providing false information or documents during Recruitment Rally.
7. It at any point of time it is found that candidate is involved in unfair means, he will be taken out from Recruitment Rally.
8. Mobile phones/ Smart watches meant for communication or photography will not be brought to the rally site.

**For detailed instructions please refer employment news and visit www.jointerritorialarmy.gov.in**

HL-B/9103/10


## 'লৈঙাক্না ঐখোয়বু য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমগদবা চপ চাবা মতম হায়বীরো'

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোরে হৈনৌ মখোঙদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)** এস দি ওনা অয়াবা পীরগা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লবা মীওইশিং লাঙ্গোলদা লৈহনখিবনি। অদুবু অসুক ৱানা লাক্তুনা লৈরকপসিদা অমুক করিগী হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরিবনো খন্দুনা ঐদি অদুমক রিলিফ কেম্পতা লৈহৌবনি। হোংখিবা মীওইশিংদুদা নোংমগী চান-থক্লবা অমদি চাক থোংনবা গ্যাসসু পীগনি হায়। ঐখোয়গীসু মতম লাকখিগনি অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয় লৈমিন্নরিবা ময়াম অসি নুংশিননা পূন্না চামিন্নরি। মীওই ৩৫০ মুক হোংখ্রবসু হান্না রিলিফ কেম্পতা লৈরম্বদগী মরন্নাই কা ৱাইদুনা লৈনরুবা ময়ামসু হৌজিক্তি অমুক লোইনা হন্নরক্লে। রিলিফ কেম্পতগী কা ৱাইরগা লৈনরুরিবা মীওইশিং অদু ইমুং-মনুং পুল্লপ লৈবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবদগী লৈনরুবনি। অদুবু মখোয়না লৈরুরিবা কা অদুগী অৱাইমল পীবনিনা মখোয়দসু অৱাবা ওইরকখি। শূফম নোম্ফমসু লৈতবনিনা লোইনমক অৱাবা খাঙনরক্লিবনি। হৌজিক্কী ওইনা ঐহাক্লা লৈরিবা রিলিফ কেম্প অসিদা মীওই ৪০০ রোম হেন্না লৈ। খরা চৎনখ্রবসু অমুক লাকপা মী য়াম্বনিনা মশীং তাথবা নত্তে হায়রকখি।

অদুম ওইনমক হান্নদি চাক চাবা ফাওবা য়াম্না খুদোং চাদে। ইপুরোইবনা মখাদা চাক চারগা ঐনা ফমুংদা ফল্লগা চারকপনি। অদুবু হৌজিক্তি খরদি শাফরে হায়রদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈবসি কনানসু লৈনীংবা নত্তে। লৈনীংদে হায়দুনা অতোপ্পা মফমদা লৈরুরগসু নুংঙাইবা হায়বদুদি ফংগদবা নত্তে। ঐখোয়গী মোরেদা লৈহৌবা য়ূম অদু মৈ থাদোকখ্রবসু ফজগেরা ফজরোইরা মণিপুর লৈঙাক্লা মহুৎ অমা শাবীদুনা হঞ্জিন্দুনা লৈবা পাম্মী। মোরেগী য়ূমশিং মৈ থাদোকখ্রে হায়দুনা য়ূম্ফমদুদা হঞ্জিনবা ঙমদবা অমসুং লৈবা ফংদবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতে। ইশাগী ইঙ্খোল লৈরিবা মোরেদা করম্বা মতমদা হঞ্জিল্লগা মহৌশাগুম্না লৈবা ফংগদগে খনবনা লাইনীং ওইরগা লৈরিবনি হায়রকখি।

লান হৌরকখিবা নুমিৎতুগী থৌদোকশিংদু ঙসিসু কাউবা ঙমদ্রি। মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংদা য়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেল্লকখিবনি। লাঞ্জেল্লকখিবা মতমদু নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৮ মুক তারমগনি। ঐখোয়বু লৌবা লাকপা গাড়ী খরা থেংনা লাকখি। ঐখোয়না চেল্লকপদা কম্মান্দো লৈবা মফমদা চঙশিল্লগা লৈখিবনি। মফম অদুদা ইহান হান্না থুংলবশিংদি সিফাইনা হোনখি। ঐখোয়দি অহিংদুমা কম্মান্দোগী মফম অদুদা লৈরগা নোংঙাল্লবা মতুংদা মোরেগী কি লোকেসন পোইন্টদা লাকখিবনি। (মথং-মথং)